# ষ্টেট ভেটরান টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮
## ৱুমেন্স সিঙ্গলকী চেম্পিয়ন এস অসালাতানা ওইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ঃ
মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ভেটরান টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙরাং দগী দিএম কোলেজকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ১৯শুবা ষ্টেট ভেটরান টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ৱুমেন সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা এস অসালাতা দেবীনা এন সুসিলা দেবীবু সেট ৩–০ (১১–৭, ১১–৯, ১১–৮) দা মায়থিবা পীদুনা কাংলুপ অসিগী চেম্পিয়ন এস অসালাতা দেবীনা ওইখ্রে। রন্নর্স অপতা এস সুসিলা দেবী, থার্দ প্লেসতা কে ইবেয়াইমানা তাখি।

মেন্স ৬৫ প্লসকী ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা জি প্রফুলা শর্ম্মনা ঐচ রাজেন্দ্রবু সেট ৩–১ (১১–৩, ১১–১৩, ১১–৬, ১১–৭) দা মায়থিবা পীদুনা কাংলুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

রন্নর্স অপতা ঐচ রাজেন্দ্র অমদি থার্দ প্লেসতা এনজি ব্রজকুমারনা তাখি।

মেন্স ৪০ প্লস দবলসকী ফাইনেলদা ও জেমসন অমদি টিঐচ ধমেন্দ্রনা ৱাই সুবাসচন্দ্র অমদি ডা. এম সুবাকান্তবু সেট ৩–২ (১১–৭, ৬–১১, ১১–৬, ৮–১১, ১৩–১১) দা মায়থিবা পীদুনা কাংলুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

রন্নর্স অপতা ৱাই সুবাসচন্দ্র অমদি ডা. এম সুবাকান্তনা তাখি।

মেন্স ৫০ প্লস সিঙ্গলকী ফাইনেলদা এস চন্দ্র শর্ম্মনা এম নোরেনবু সেট ৩–০ (১১–৫, ১১–৪, ১১–৫) তা মায়থিবা পীদুনা কাংলুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

রন্নর্স অপতা এন নোরেননা তাখি। থার্দ প্লেসতা সিঐচ লোকেন্দ্রননা তাখি।

মেন্স ৪০ প্লস সিঙ্গল ফাইনেলদা টিঐচ ধমেন্দ্রনা এন বিরেনবু সেট ৩–১ (১১–৮, ৭–১১, ১১–২, ১১–৫) তা মায়থিবা পীদুনা কাংলুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

রন্নর্স অপনা এন বিরেননা তাখি। থার্দ প্লেসতা ৱাই সুবাসচন্দ্র তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা বাবি দাইগোষ্টিককী চিয়রমেন অমদি মেনেজিং দাইরেক্টর ডা. টিঐচ দবলি সিংহ অমদি মণিপুর ভেটরান টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ও ধিজেন্দ্রনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক–মথং তাখ্রবশিংদা মনা–মথুম য়েন্থোকখি।

# মণিপুর য়ুঠ লীগ ২০১৮
## য়ু–১৩দা এসএকে অমদি এমএসএ(এ) ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ঃ
মেক্স স্পোর্টস একাদেমী উখ্রুলনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা অন্দর–১৩ গী টিম ৫ অমদি অন্দর–১৫ গী টিম ৭ না গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা থা অসিগী ৪ দগী চত্থরক্লিবা ফার্ষ্ট মণিপুর য়ুঠ লীগ ২০১৮ ফোর য়ু–১৩ এন্দ য়ু–১৫ ঙসি লীগ মেটচ শান্নবা লোইখিবগা লোয়ননা অন্দর–১৩ গী ফাইনেলদা এসএকে অমদি এমএসএ (এ) গা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অন্দর–১৫ গ্রুপ (এ) গী অরোইবা লীগ মেটচতা মঙাল ফুটবোল ক্লবনা য়ুটিএল দব্লিউ ও উরিপোকপু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা মঙাল ফুটবোল ক্লবকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৬ টি পাস্কেলনা মিনট ২৫ অমদি ৩৫ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৭ সনামাচানা মিনট ৪৯ অমদি ৫৯ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১২ এল ষ্টেলিননা মিনট ৪২ অমদি জর্সি নম্বর ১৭ লাঙম্বানা মিনট ৬০ প্লস ২ দা গোল অমমম চনদুনা মঙাল ফুটবোল ক্লবনা গোল ৬–০ দা য়ুটিএলদব্লিউও উরিপোকপু মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মঙাল ফুটবোল ক্লবকী জর্সি নম্বর ৭ সনামাচা, জর্সি নম্বর ৯ ঐচ কিরন অমদি য়ুটিএলদব্লিউও গী জর্সি নম্বর ২ পিশোম অমদি জর্সি নম্বর ৫ সুব্রিকুমারদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি পিঐচ লম্হোইবা, টিঐচ কিরঞ্জিৎ, ঐচ মাহেস অমদি ৱাই ইঙোবীনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

অন্দর–১৩ গী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা এসএকেনা এমএসএ (বি) বু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এসএকেগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ চান্দ্রবালনা মিনট ১৩, জর্সি নম্বর ২০ এম অজিৎসননা মিনট ৩২ দা গোল অমমম চনখি। জর্সি নম্বর ৯ টিঐচ ধিজেননা মিনট ১৯, ২৮ অমদি ৩৪ দা গোল অহুম চনদুনা হেদত্রিক ফঙদুনা এসএকেনা পুন্না গোল ৫ চনদুনা এমএসএ (বি) বু মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাই ইঙোবী, ঐচ মহেস, টিঐচ কিরনজিৎ অমদি পিঐচ লম্হোইবনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

অন্দর–১৫ গী অহানবা সেমি ফাইনেলদা এলৱাইদি অমদি য়ুটিএলদব্লিউও, অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা মঙাল ফুটবোল ক্লব অমদি এনএমএসএনা থা অসিগী ১১ গী নুংথিল পুং ১ অমদি পুং ২.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

# মঙাশুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮
## এএনএনএলকে, সেক্তা এফসি অমদি লম্লাই এফসি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ঃ
য়ুঠ পেরেদাইজ ক্লব গোলাপাটি, য়ুঠ প্রোগেসিপ ফ্রন্ট য়াইঙংপোকপী, য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব থম্নাপোকপী অমদি সনাশাবী য়ুঠ ক্লব সনাশাবীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা চত্থরিবা ৫শুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওফন ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এএনএনএলকে শৌওম্বুং, সেক্তা এফসি অমদি লম্লাই এফসি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ুক্কী সেস্কনদা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এএনএনএলকে শৌওম্বুংনা এসৱাইসি সনাশাবী (এ)বু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এএনএনএলকে শৌওম্বুংগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ অকাসনা মিনট ৫দা গোল অমা, জর্সি নম্বর ১১ রাম্বোনা মিনট ৭ অমদি ১৯ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৫ জোন্সননা মিনট ১৫দা গোল অমা চনদুনা অহানবা হাল্ফতা এএনএনএলকে শৌওম্বুংনা গোল ৪ চনদুনা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু এএনএনএলকে শৌওম্বুংগী জর্সি নম্বর ১১ রাম্বোনা মিনট ২৬ অমদি ৩০ দা গোল অনীগা অমুক হাপচিনদুনা পুন্না গোল ৬ চনদুনা এসৱাইসি সনাশাবী (এ) বু মায়থিবা পীখি।

অয়ুক্কী অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা সেক্তা এফসিনা ৱাইপিসি গোলাতাবীবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা সেক্তা এফসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ এস বিশ্বজিৎনা মিনট ১৫ দা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা ৱাইপিসি গোলাতাবীগী জর্সি নম্বর ১৬ লাঙম্বদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা লম্লাই এফসিনা টিৱাইসি তুইসোমজাংবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা লম্লাই এফসি গী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ কেঐচ অনোসনা মিনট ১০ দা গোল অমা চনদুনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা এফসি লম্লাইনা গোল ১ মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ২০ টিঐচ ওকেননা মিনট ১২, জর্সি নম্বর ১০ এনজি জিতেন অমদি জর্সি নম্বর ৭ কেঐচ অনোসনা মিনট ৩০ দা গোল অমমম চনখি।

মায়থিরবা টিৱাইসি তুইশোমজাংগী গোলশিং অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৮ জাংখোসৈনা মিনট ৩৪ অমদি ৩৮ দা গোল অনী চনখি।

মেটচ অসিদা টিৱাইসি তুইশোমজাংগী জর্সি নম্বর ২ সৈগৌলাংদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা শান্নগদবদা ৱাইপিএফ য়াইঙংপোকপী লাক্তবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী রুলগী মতুং ইন্না ৱাইওসিএল পুংদোংবমনা ৱার্ক ওভর ফঙখ্রে।

# অহুমশুবা ইবুধৌ য়াংবী পাখঙবা কপ ২০১৮
## পিৱাইসি, ঐচয়ুএফএ অমদি লম্লাই মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ঃ
নোংমাইখোং প্রো গেসিপ য়ুথ ক্লব চানা না শীন্দুনা চানা লম্পাক্তা টিম ১৭না গ্রুপ–৪ থোক্না খাইদোক্তুনা থা অসিগী ৪দগী চত্থরক্লিবা অহুমশুবা ইবুধৌ য়াংবী পাখঙবা কপ ২০১৮–৭ এসাইদ য়ু–১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পিৱাইসি পুংদোংবম, ঐচয়ুএফএ হৈঙাং অমদি লম্লাই মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সি গী লীগ মেটচতা পিৱাইপিসি পুংদোংবমনা কাইরং ইএএবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা পিৱাইপিসি পুংদোংবমগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১১ মেনগৌনা মিনট ১২ তা চনখি। মেটচ অসিদা মায়থিরবা কাইরং ইএএ গী জর্সি নম্বর ১৭ দৱাস সহাদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

১৭শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দি গী মেটচতা ঐচয়ুএফএ হৈঙাংনা দিএফএ তেল্লৌবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ঐচয়ুএফএ হৈঙাংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ য়াইমানা মিনট ১৫ দা গোল ১, জর্সি নম্বর ৯ জেলিনা মিনট ২০ অমদি ২৩ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৮ সনাথোইনা মিনট ৩০ অমদি ৩৩ দা গোল অনী পুন্না ঐচয়ুএফএ হৈঙাংগী গোল ৫ চল্লগা দিএফএ তেল্লৌবু মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা দিএফএ তেল্লৌগী জর্সি নম্বর ১১ সনাথোই রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী মেটচতা লম্লাইনা এসপিৱাইসি সৈজাংবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা লম্লাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ৩২ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ ধিজেন্দ্রনা চনখি। লম্লাইগী জর্সি নম্বর ১২ কে বিজদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং নুংথিল পুং ১দা মঙাল ফুটবোল ক্লব অমদি তেল্লৌনা অহানবা মেটচ, নুংথিল পুং ২ দা এনপিৱাইসি চানা (এ) অমদি লৌশাংখোঙনা অনীশুবা মেটচ অমসুং নুংথিল পুং ৩ দা এনপিৱাইসি চানা (বি) অমদি পিৱাইপিসি পুংদোংবমগা শান্নরগনি।

# ফার্ষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে




জিরিবাম, দিসেম্বর ০৯ঃ
ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা স্মার্ট সোসাইটি ওফিস, সেকেন্দ ফ্লোর (য়ুবিআই) মুনিসিপাল বিল্ডিংদা দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিয়েসন জিরিবামনা শীন্দুনা শান্নরোই ২৪না শরুক য়াদুনা ফার্ষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা এম ব্রজকান্ত সিংহ, প্রসিদেন্ট, জিরিবাম ওলেম্পিক এসোসিয়েসন, এ বিরেন সিংহ, প্রসিদেন্ট দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিয়েসন, জিরিবাম অমদি কেঐচ ধানা সিংহ, মেম্বর, মণিপুর চেছ এসোসিয়েসননা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী চীফ গেষ্ট ওইরিবা এম ব্রজকান্ত সিংহ (প্রসিদেন্ট জিরিবাম ওলেম্পিক এসোসিয়েসন)না অশুমনা হায়–জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিদা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিয়েসন জিরিবাম হায়না এসোসিয়েসন অসি লিংখৎপগা টুর্নামেন্ট অসিবু তৌবা হায়বসে থাগৎনিংঙাই নি। এসোসিয়েসন অমনা হেক্তুনা অশুমনা তৌগে হায়রবসু ঙমলোইদবা অমনি হায়খি। মখা তানা হায়খিবদা–মায় পাক্লবা শান্নরোই অমা হায়বসি ঐখোয়না চেছ প্লেয়র অমনি হায়না লৌবা য়াই। অসিগুম্বা চেছ মশান্না অসি ঐখোয়না য়োকখৎপা মথৌ তাই। দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিয়েসন জিরিবাম না শীন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিবু পুথোক্তুনা মীয়ামদা শান্নবগী তাঞ্জা অসিবু পীবিবগীদমক থাগৎচরি হায়খি।

এ বিরেন সিংহ (প্রসিদেন্ট দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিয়েসন, জিরিবাম) না হায়খিবদা চেছ হায়রিবা মশান্না অসি হৌজিক্তী য়াম্না চাওবা মশান্না অমা ওইরে। ঐখোয়না মোবাইল ফোনদা গেম কয়া শানে অদুগী মহুৎতা চেছ অসিগী এপ্লিকেসন অদু হাপচিনদুনা শান্নবনা ফাগনি খল্লি। মশান্না অসিনা মীওইবা ঐখোয়গী খনবা ঙমবগী হায়বদি ঐখোয়না থবক অমা তৌরুবদা মসিগী কান্নবা অমদি মসি তৌখ্রগা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বনচিংবা খনবা ঙমহল্লি।

মরম অদুনা জিরিবাম অসিদা মশান্না অসি শান্নদুনা পাক শান্না শনেদাক্তুনা মীপুম খুদিংনা শান্নরবদি জিরিবাম অসি চাওখৎপা অমা পুরক্কনি। অমদি জিরিবামদা লৈবা ফম পায়রিবা ফম্নাইবশিংনা জিরিবামগীদমক অফবা–ফৎতবা খন্থবাসু ঙমগনি। জিরিবাম অসিবু চাওখৎপগী লম্বীদাসু লমজিং বিরক্কনি হায়খি।

কেঐচ ধানা সিংহ মেম্বর মণিপুর চেছ এসোসিয়েসন না হায়খিবদা ঙসি শান্নগদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮ অসি শান্নরোই অমনা রাউন্দ ৬রক শান্নগদৌরিবনি। রাউন্দ ৬ অসি শান্নরোই খুদিংমক্কী শোইদনা ফঙবীগনি। অহানবা রাউন্দা ঙমদ্রে হায়দুনা লৈহৌবা লৈরোই। রাউন্দ ৬ অসিদা খ্বাইদগী পোইন্ট হেনবা শান্নরোই অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইগদৌরিবনি হায়খি।

## চীফ মিনিষ্টর কাং ট্রোফি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ঃ
মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী স্পোন্সর মখাদা নম্বোল বমদিয়র কাং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চীংথাং লাইরেম্বী কাং এসোসিয়েসনগী শঙলেনদা পুন্না কাংখুৎ ১৬না গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা লীগ কম নোক আউত বেসিসতা চত্থরকখিবা ১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর কাং ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এনবিকেএ না য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ২২–১০ দা মায়থিবা পীদুনা এনবিকে সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী শান্নগদবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা গোপালদেব কাংখুৎ অমদি এমএমকেগা শান্নরগনি।

# মণিপুর থাঙ–তা টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ঃ
থাঙ–তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা করনাটাকা থাঙ–তা এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী ১৬ ফাওবা করনাতাকাগী বিজা য়াপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫শুবা থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুগদবা হুইয়েল লাল্লোং থাঙ–তা এসোসিয়েসনগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং করনাকাতাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

হুইয়েল লাল্লোং থাঙ–তা এসোসিয়েসন মণিপুরগী মীহুৎ পুন্না নুপা–নুপীগী শান্নরোই ৯৪ অমদি ওফিসিয়েল ৬ অদু ইম্ফালদা লৈবা কংলাদগী ৱার্ল্ড থাঙ–তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা লমথাখি।

# মঙাশুবা গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং ২০১৮–১৯ হৌদোকখ্রে



বিষ্ণুপুর, দিসেম্বর ০৯ঃ
নুমিৎ ৩০ নি চত্থগদৌরিবা মঙাশুবা গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং ২০১৮–১৯ মোইরাং মল্টি–পর্পোস হায়র কেন্দেরী গ্রাউন্দ মোইরাং লমখাইদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

অমোফা একাদেমীগী প্রসিদেন্ট কুমাম য়াইমা সিংহ, সোসিয়েল ৱার্কর ফিলেম মেঘা সিংহ, ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমোফা) মোইরাংগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট মাইব্রম রাজু সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

অমোফা একাদেমীগী সেক্রেটরী হেমাম সোতোজিৎ না ফোঙদোকখিবদা, অমোফাগী সবসিদিয়ারি পার্ট অমা ওইরিবা অমোফা একাদেমীগী নুপীমচা ১৫ য়াওনা পুন্না শান্নরোই ১৫০ অমসুং টাটা ট্রষ্টনা খনগৎলবা নুপীমচা ১৩ য়াওনা শান্নরোই ৫০ পুন্না খনগৎলবা শান্নরোই ২০০ না কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়াগনি। মখোয়দা শান্নবগী কিটশিংসু য়েন্থোকখি। টাটা ট্রষ্টনা খনগৎলবা শান্নরোই ৫০ গী কিটশিংদু টাটা ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌবনি হায়রি।

মহাক্না মখাতানা হায়খিবদা অমোফা একাদেমীদগী হৌখিবা শান্নরোই কয়ানা মশক নাইবা ক্লব কয়াদা য়াওখ্রে। মসি একাদেমী অসিগী মায় পাকপা অমনি হায়খি।

## মণিপুর মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ঃ
স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা অন্ধ্র প্রদেশকী নারায়ানা পুরমদা থা অসিগী ৯দগী পাঙথোক্লিবা ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ইন ছেপাক তক্রৌ (অন্দর–১৯ বোইজ এন্দ গার্লস) কী মণিপুরগী বোইজকী শান্নখিবা অহানবা লীগ মেটচতা মণিপুরনা মহারাষ্ট্রবু ২–০ (২১–১৩, ২১–১৪) দা মায়থিবা পীখ্রে।

মণিপুরগী অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবদা মণিপুরনা কেরলাবু ২–০ (২১–১৭, ২২–২০) দা মায়থিবা পীখি।

স্কুল গেমস অসিদা মণিপুরনা গ্রুপ–বি দা মহারাষ্ট্র অমদি কেরলাগা পুন্না তামিন্নরি। মণিপুর মেটচ অনীমক মায় পাকপদগী মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

গার্লসকী শান্নখিবা অহানবা লীগ মেটচতা মণিপুরনা দিল্লিবু ২–০(২১–১৬, ২১–১২) তা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা লীগ মেটচতা মণিপুরনা বিদ্যাভরটিবু সেট ২–১ (২১–৭, ২১–১৪) দা মায়থিবা পীখি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com